# লমদম অসিদা ইন্টরপ্রিন্যর মরাং কায়না লৈরবতদা চাউখৎপা ষ্টেট ওইবা ঙমগনিঃ সি এম

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৪ (এস এন এস)ঃ

রিছোর্স মরাং কায়না লৈজদবা অপীকপা ষ্টেট অসিবু লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী তাদনা চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা ইন্টরপ্রিন্যরশিং মরাং কায়না লৈহনবা মথৌ তাই। মরম অসিনা লমদম অসিদা নৌনা হৌরক্লিবা ইন্টরপ্রিন্যরশিং অসিবু য়োক–খৎপীগদবনি হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা সি এস আই আর–এন ই আই এস টি জোরহাৎকী ব্রাঞ্চ লেবোরেটরিদা ইন্সটিট্যুট অসিনা শীন্দুনা সি এস আই আর কনেক্ট নোর্থ ইষ্ট হায়না মিংথোন্দুনা পাঙথোকপা কনসল্টেটিভ মিটিং কম টেক্নোলোজি এক্সিবিসন হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লমদম অসিগী হৌরক্লিবা ইন্টরপ্রিন্যরশিং অসিদা লৈরিবা টেলেন্ট, কেপাবিলিটি, হৈ–শিংবা, হোৎনবা কনবা কয়া অসি য়াম্না পূক্নীং থৌগৎনিঙাইনি। অসিগুম্বা মগুণশিং অসিদা সি এস আই আরগী মতমগা চানবা টেক্নোলোজি অমদি নোলেজশিং অসি ফংহল্লবদি হেন্না মপূং ফাবা ইন্টরপ্রিন্যরশিং শোয়দনা ওইবা ঙম্লক্কনি।

লৈফম অসিগী মীওইশিং অসিনা মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেডিয়ম ইন্টরপ্রিন্যরস (এম এস এম ই) লিংখৎপদা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মকোক্তা লৈরিবনি। লোয়ননা অসিগুম্বা এম এস এম ই অসিদা নুপীনা শরুক য়াবদা লৈবাক পূম্বগী ওইনা মকোক্তা লৈরিবনি। অসিগুম্বা অপীকপা ইন্দষ্ট্রিশিং অসিদা মীৎয়েং থমদুনা ষ্টেট অসিনা কন্না হোৎনদুনা লৈবাক অসিগী জি দি পিনা চাদা ৫–৬ খক্তমক লৈবা মতমদা ষ্টেট অসিগী ওইনা চাদা ৮ ফাওবা য়ৌবা ঙল্লিবনি। মসিদা সি এস আই আরগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মতম অমদা লমদম অসিদা মরাং কায়না হৌরম্বা মোইরাং ফৌ, ফৌদোংবনচিংবা ফৌ মখল অসি মহাও লৈবা খক্তা নত্তনা হকচাংদা পাঙ্গল য়ান্না হাপ্পা মখলগী ফৌশিংনি। অদুবু হৌজিক্তি হায়রিবা ফৌ মখল অসি লমদম অসিদগী তপ্না তপ্না মুৎশিল্লক্লি। মরম অসিনা ইন্টরপ্রিন্যরশিং অমদি সি এস আই আরনা হীরম অসিদা মীৎয়েং চঙদুনা লমদম অসিগী শিথরুরবা অরিবা ফৌ মখল অসিবু অমুক হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনবিনবগী আপিলসু তৌখি।

লৈঙাক অসিনা লমদম অসিগী ইন্টরপ্রিন্যরশিং গীদমক্তা ষ্টার্ট অপ হায়না মিংথোনবা স্কিম হৌদোক্তুনা ইন্টরপ্রিন্যরশিংদা লুপা ক্রোর ১ ফাওবগী শেলগী মতেং পীদুনা লাক্লি। মসিদা চাদা ৩০ দি সবসিদি ওইনা পীরিবনি। মসিদসু নত্তনা হেন্না চাউবা ষ্টেন্দ অপ স্কিমসু হৌগৎনবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ষ্টেট অসি রেভিন্যু য়ান্না লাকপা ষ্টেট অমসু ওইদবনা লৈবাক্কী চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপদা সেন্টরগী ফন্দিংতমক ঙাইদুনা লৈরি। অদুবু হান্না চহী ১ দা রেভিন্যু ওইনা ক্রোর ৫০০ / ৬০০ লাক্লম্বা অদু জি এস টি চৎনবদগী ক্রোর ৯০০–১২০০ ফাওবদি লাকহনবা ঙম্লি। ষ্টেট অসিগা য়ূমথংননা লৈরিবা ষ্টেটশিং অসিদা দ্রাই ষ্টেট ওইদবনা রেভিন্যু চাউনা লাক্লি। মরম অসিনা ষ্টেট অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং হেন্না পায়খৎপা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ হায়খি।

ষ্টেট অসিদা মমাঙগী লৈঙাকশিংগী মতমদা ইশু কয়া মফম চানা লোইশিন্দনা থম্লমদুনা তংদু–লৈতাদবা ষ্টেট অমা ওইরম্বা অদু হৌজিক বি জে পিনা পাল্লিবা লৈঙাক অসি লাকপদগীদি মতম মতমগী ইশুশিং মতাং চানা অমদি নাখে শেংনা লোইশিন্দুনা ইং–তপ্পা অমদি তংদু– লৈতাবা ষ্টেট অমা ওইবা ঙম্লে। ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা লেপ্তুনা চৎলবদি চহী খরগী মতুংদা লৈবাক অসিগী অতে অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী তাদনা চাউখৎপা ষ্টেট অমা শোয়দনা ওইগনি।

ষ্টেট অসিদা মহৈ–মরোং পুথোকপগী থবক্তা অনৌবা লৈঙাক অসিনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা চহী খরা অসিগী মতুংদা অঙকপা ফংনা হেনগৎলক্লি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসি মাগী মাগী লমশিং অদুদা পুথোক্লিবা মহৈ–মরোংশিং অদুগী মমিং লৌরগা খঙনরগনি। শন্না হায়রবদা, লফোই য়ান্না পুথোক্লিবা নোনে দিষ্ট্রিক্টপু বনানা দিষ্ট্রিক্ট, তামেংলোংবুনা ওরেঞ্জ দিষ্ট্রিক্ট হায়বনচিংবা মিং অসিদা খঙনরগনি।

লমদম অসিগী মীয়ান্নসু লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিদা মপূং ফানা শৌগৎপিদুনা চাউখৎপা, শেন্মীৎলোন ফবা, মিপান তাংদবা লমদম অমা ওইহন্নবা পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চীফ গেষ্ট, ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি, ডা রঞ্জননা প্রসিদেন্ট অমদি সি এস আই আরগী দাইরেক্তর জেনরেল ডা শেখর সি মন্দেনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ইসু খুদিংমক মতম চানা ৱারী শান্নদুনা লোইশিন্নবা হোৎবা চঙই ঃ চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৪ (এস এন এস)ঃ

লৈঙাক অমা লৈরবদি ইসু অদুমক লৈগনি। অদুবু মতম চানা এড্রেস তৌদুনা ৱারী শান্নরগা লোইশিন্নবা হোৎনবা চঙই হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

নুংথিলগী পাউ চে কংলৈপাক্কী মৈরাগী ৩৮ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, লমদম অসি হান্নগা য়েংনবদা অওনবা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙম্লে। লৈঙাক অসি ক্রিটিসিজম য়াবা লৈঙাক্লি। অদুবু অতম্না মীওই অমগী কিয়ার শোকপা য়াবা মওংদা সোসিয়েল মেদিয়াদা লান্না ফোঙদোক্লবসু হান্না অনী অহুম্লক ৱাখল তাহল্লবা মতুংদা য়াদ্রবদি লিগেলগী ওইবা এক্সন লৌখৎপা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি।

তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা নহারোলশিংনা থবক থিবা ওইবগী মহত্তা থবক পীবা ঙম্বা মীওই ওইনবা হোৎনসি। মাঙলোমদা চৎপা খুন্নাই অমগীদমক অনৌবা এদুকেসন সিষ্টেম পীনবা লৈঙাক্না স্কুল ফগৎহনসি মিসনচিংবা হৌদোক্তুনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা প্রি নর্সরিদগী অঙাং লাইরিক তম্বা য়াহল্লি।

হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংদা লমদম অসিগী ওইবা পুৱারী নীংথিনা খঙহনবা তঙাইফদ্রে। মরম অদুনা স্কুলগী সেলেবসতা লোকেলকী লাইরিকতা চাদ ৩০ ওইহন্নবা লৈঙাক্না হোৎনরি। লমদম অসিগী হৌরকফম নীংথিনা খঙবা চঙই।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, ভি দি এফশিং অসিগী থাগী তলব ৮০০০ ওইহন্নবা কেবিনেটতা খঙন্নরগনি। লোয়ননা সাইদগী টাইক্বোন্দো, বোক্সিং লৌথোকখিবসি মরম চাদে। মশান্না অনীসিগী অফবা শান্নরোই কয়া লমদম অসিদগী পুথোক্লিবনি। মরম অদুনা অথুবদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল থাখ্রে। অহুম্লক গিনিয়স ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রবা য়াম্বেম গোবিনদা লৈঙাক্কী মায়কৈন্দগী অখন্নবা থবক অমা পীনবা খন্নরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী হেলঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা হায়, দেমোক্রেসি চৎপা লমদম অমদা মেদিয়াগী থৌদাং চাওই। মেদিয়াদা থবক তৌরিবশিংনসু দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্নবা কাংলোন চুম্না থবক তৌবা অমসু চঙই। লৈঙাক অমদি দেমোক্রেসিবু হিমাই চুম্লবসি মেদিয়াগী অচৌবা থৌদাংনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা অমজুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এন তোম্বীরাজসু অখন্নবা মীথুংলেন ওইখি। লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী হান্নগী আই পি আর গী দাইরেক্তর ঐচ বালকৃষ্ণ সিংহনা থৌরম মপু ওইখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লিজেন্দরি সিঙ্কর অরাম্বম জমুনা, নবা ভোলকেনোদা লাইফ টাইম এচিপমেন্ট, প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী বেষ্ট মেল রিপোর্টর এৱার্দনা পিপলস ক্রোনিকলগী নিরঞ্জন অমসুং বেষ্ট ফেমিল রিপোর্টরগী এৱার্দনা আই এস টি ভি গী ববিতাদা খুৎশিন্নখি। লোয়ননা অহুম্লক জিনিয়স ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবা য়াম্বেম গোবিনবু পূক্নিং থৌগৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

## লালহৌবা ২ ফারে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৪(এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি ৬শুবা আসাম রাইফলগী কম্বাইন্দ টিম অমনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা কৈরাও লংদুম এরিয়াদা থিবা হুম্বা চত্থবদা লোনা থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক (প্রো) শেল্ফ ষ্টাইল লেফটেন্ট অমগা সর্জন অমগা ফারে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

ফারবা এস এস লেফটেনেন্ট অদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লঙথবাল কুঞ্জা মমাঙ লৈকাইদগী য়েন্দ্রেনবম অমুজাও মীতৈ এলাইজ পারি (৩৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোমচা মীতৈনি অমদি এস এস সর্জন অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী বামোন লৈকাই নাহাবমদগী সরাংথেম প্রতাপ সিংহ এলাইজ চিংশুবা (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোপিশকনি হায়রি।

মখোয় ঙরাং অয়ুক পুং ৯.১৫ তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি ৬শুবা আসাম রাইফলগী কম্বাইন্দ টিম অসিনা লংদুম লমখাইগী ৱেটিং সেদ মনাক্তগী ফাবনি। মখোয় অনী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নবগা লোয়ননা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

# রিপব্লিক দে বোইকোট তৌরেঃ কে সি পি–এম সি (প্রোগ্রেসিভ)

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৪ঃ

কুমজা ১৯৫০ গী জনুৱারি ২৬ তা কন্সটিট্যুসন শেমদুনা ইন্দিয়াদা চৎনখিবগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম লাক্লিবা জনুৱারি ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক দেগী থৌরম কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি, মিলিটরি কাউন্সিল (প্রোগ্রেসিভ) না বোইকোট তৌগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

থৌরম অসিবু মীয়াম শরুক য়াবিদনবা আপিল তৌরদুনা লূপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী মহৈখোম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অঙ্গ্লো মণিপুর ৱার ১৮৯১ থোক্তুনা মণিপুরনা মায়থিখ্রবা তুংদা লমদম অসিগী লৈঙাক চুক্লি খুদিংমক বৃটিশ গভর্ণমেন্ট রুলগী মখাদা নমশিন্দুনা থম্লকখি। অদুবু বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী মতম লোইরক্তুনা কংলৈপাকপু কুমজা ১৯৪৭ গী ওগষ্ট ১৪ দা ইন্দিয়াদগী নোংমা হাংদুনা মনীংতম্বা পীবিরম্বনি। নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা কংলৈপাক্না মশাগী ওইবা দেমোক্রেটিক গভর্ণমেন্ট লিংনবগী পান্দমদা কন্সটিট্যুসন শেম্বা দরকার ওইদুনা চীং–তম অনীদগী মীহুৎ ১৭ খোমগৎলগা বোধচন্দ্র মহারাজকী মীৎয়েংখাদা কম্মিটি অমা শেমখি।

শেমখিবা কম্মিটি অসিনা য়ূম্ফম ওইরগা চীং–তম মীয়ান্না লৈঙাকচবা য়ানবা হায়দুনা মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ অসিগী য়ান–ৱারোলগী মতুং ইন্না মহারাজ বোধচন্দ্রনা কন্স–টিট্যুস্নেল হেদ ওইদুনা অহানবা এদল্ট ফ্রাঞ্চিসতা য়ূম্ফম ওইবা ইলেক্সন অমা কুমজা ১৯৪৮ কী জুন–জুলাইদা পাঙথোক্তুনা চীং–তম অনীদগী মীহুৎ ৫৩ খন্দুনা অহানবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফম অমা মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুস্নেল হেদকী য়ান–ৱারোলগী মতুং ইন্না কুমজা ১৯৪৮ কী ওক্টোবর ১৮ দা কংলৈবাক্কী মীয়ান্না খঙ্গবা নেস্নেল এসেমব্লি লিংবা হৌখি হায়নসু মখা তারক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মশাগী দেমোক্রেটিক কন্সটিট্যুসন অমদি নেস্নেল লেজিসলেচর লৈজদুনা মালেমদা কনাগীসু মীখা পোন্দনা কংলৈপাক্কী কন্সটিট্যুসন চৎনরকখিবা লমদম অসিগীদমক মীয়ান্না চাউথোক্না হিংবা হৌরকখিবনি।

লাইবক থিবদি কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা মীয়ামগী অমদি মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি হাউসকী অয়াবা য়াওদনা কন্সটিট্যুসনগী হেদ ওইখিবা বোধচন্দ্র মহারাজপু ইন্দিয়ানা শিল্লোংদা কৌরগা হাউস এরেষ্ট থমদুনা নোংমৈ চিংদোলদা কংলৈপাক (মণিপুর) পু সুবনম–সাসনদা ইন্দিয়াদা তিশিল্লে হায়বগী মর্জর এগ্রীমেন্ট খুৎয়েং লৌ–খ। অসিগুম্বা নম্ফু সাসনগী থৌদোক অসিনা কংলৈপাক (মণিপুর) পু ঙসি ফাওবা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা নমশিন্দুনা থম্লগা মীনাই–লোইথাং ওইহন্দুনা থম্লক্লি। বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা নীংতম্বা ফংহল্লম্বসু ইন্দিয়াদগী কংলৈপাক (মণিপুর) না হানবা অমদি ইন্দিয়াগী কন্স–টিট্যুসন পোক্ত্রিঙৈদগীসু কংলৈপাক (মণিপুর) দি মশাগী কন্সটিট্যুসন শেমজদুনা লৈঙাকচরক্লবনি হায়রি।

অসিগুম্বা কংলৈ লমদম অসিগী মনীংতম্ববু নমহৎপীরগা ইন্দিয়াগী হরাউ–মথোইদা কংলৈ মীয়ান্না মতৌ করন্না জনুৱারি ২৬ 'ইন্দিয়ান রিপব্লিক দে' পাঙথোক্তুনা শরুক য়াগদৌরিবনো হায়বসি ইশা–ইশাগী থম্মোয়দা ৱাখল খন্থবিয়ু হায়নসু আপিল তৌরক্লি।

# হোম গার্দশিং থবক কারক্নবা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোম গার্দ এক্ট অমসুং রুলসকী ৱাংমদা হাপচিল্লিবা বট্টালিয়ন কম্মান্দরশিং খুদক্তা মুত্থৎকদবনি অমসুং দ্যুটি পীদবা নৎত্রগা দ্যুদি পুহন্দনা থম্বা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী দ্যুটি এল্লাৱেন্স য়েন্নদুনা চারিবা বট্টালিয়ন কম্মান্দর অমদি মখোয়গী খোঙলোইশিংগী অরানবা থবকশিং অদু লেপহন্দুনা পার্সোনেলশিং থবক কারক্নবা মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোইজ এসোসিয়েসন ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গি সিংহনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা আপিল তৌরকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা হোম গার্দ ওর্গনাইজে সনবু মতীক মগুণ লৈনা, মতিং থোকপা থবক তৌজবা ঙন্নবা পন্দুনা লৈরিবা ষ্ট্রিম লাইনগী থবক লোইশিনবিয়ু, ৱুমেন দিভিজন হাংবগী থবক লোইশিনবিয়ু। সি ওনা থা খুদিংগী থা ১ দা বিল থাগৎনবা ওর্দর তৌদ্রবসু বট্টালিয়ন কম্মান্দরশিংনা অরানবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা অচৌবা শেনফম ককহৌরগা মখোয় খরা চামিন্নবা হোৎনবদা মতম চানা পে অমদি এল্লাৱেন্স ফংহনবিদবা অদু ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা য়েংশিন্দুনা চুমথোকপীদ্রবদি এসোসিয়েসননা ফিজিকেল দ্রাইভ তৌবদা নত্তনা মথক থোংবা ওথোরিটিদা লোগী ওইবা মতেংগা লোয়ননা ৱাকৎলগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোইয়ীস ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসননা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা পূন্নমক্কী মফমদা হায়নীংবদি খুন্নাই অসিদা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা ইমুং মনুং হিংবা ঙম্বা মখা শাংথনা অপনবা পীদনবা হায়কোর্টনা পীবা দিরেক্টিভকী মতুং ইন্না ওর্দর থোকপিরো অমদি থবক্তা ওন্থোকপীরো।

মতম শাংনদগী হায়রিবা থবক থৌওংশিং অদুদা হৈনবী ওইনা লাক্লিবা বট্টালিয়ন কম্মান্দরশিং অমদি খোঙলোইশিংনা অদুগুম্বা ফৎতবা হৈনবী অদু থাদোকপীদুনা দ্যুটি পুহনবিরো। খূৎ পুন্দুনা অমদি পঙশিন্দুনা লৈরিবা হোম গার্দ পার্সোনেলশিং মখা তানা হোম গার্দ ওইনিংলবদি থোরক্লো অমদি দ্যুটি পুনবা হোৎনবিরো। করিগুম্বা এসোসিয়েসন অসিগী ৱাফম অসি থৌওইদ্রবদি থবক্তা খুদোং থিবা অৱাবা তারকপদা এসোসিয়েসনদা তায়নবা য়ারোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

## থিয়েটর ফেষ্টিভেল ২০২০ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৪ (এস এন এস)ঃ

খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো কলচরেল ট্রষ্টনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী হৌদুনা জে এন এম দি এ দা চয়োল অমা চুপ্না পাঙথোকপা ৫ শুবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো থিয়েটর ফেষ্টিভেল ২০২০ ঙসি লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা লেঙবিরকপা ওইখিবা সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট আই এস কাংজম্না হায়, শক্নাইরবা অইবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রোনা খুন্নাইগী মচৎ নীংথিনা নৈনদুনা থম্বীরম্লিবসি ফেষ্টিভেলশিংদা লাইরিক ওইনা পুথোকপিরবদি ফগনি হায়না ট্রষ্টকী পূক্নিং চিংশিনখি। লোয়ননা থিয়েটরদা মানা কৎথোক্লম্লিবসি শিংথাঙনিঙাইহনি। ট্রষ্ট অসিনসু মহাক্কী মিংদা ফেষ্টিভেল পাঙথোকপীবা অসি য়াম্না ফবা খোঙথাংনি। মখা তানা, ট্রষ্টনসু ব্রোজেন্দ্রোনা ইরম্বশিং ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবগী খুদোংচাবসু লৈহন্নবা হোৎনসি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা অইবা চনা লুখোইনা অখন্নবা লেঙবিরকপা অমদি রিটিয়ার্দ আই এ এস, আর কে নিমাইনা থৌরম মপু ওইখি।

# টোটেল সটদাউন তৌগনিঃ পি দব্লিউ জি

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৪ (এস এন এস)ঃ

লাক্লিবা জনুৱারি ২৬ 'রিপব্লিক দে' পুং ২৪ টোটেল সটদাউন লাউথোক্লে হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি পিপলস ৱার গ্রুপকী পি আর ও চিংখৈঙানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, জনুৱারি ২৬ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান রিপব্লিক দে অসি লূপনা বোইকোট তৌবগা লোয়ননা জনুৱারি ২৫ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ দগী ২৬ কী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন তৌগনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক দে থৌরমসিদা মীয়ান্না শরুক য়াবিগনু। ইমর্জেন্সি অমদি প্রেস মেডিয়াগী ওইনদি টোটেল সটদাউন অসিদগী কোমথোক্কনি।

কংলৈপাক মণিপুর মীখা পোনবা পামজদবা চহী লিশিং ২ হেন্না মনীংতম্না লৈজরম্বা কংলৈচা ইরমদম অসিবু ইন্দিয়ানা নমলৌ লৌশিন্দুনা ইন্দিয়াগী খুবামনুংদা তিনহন্দুনা ইরমদম অসিদা ৱ্লেক লো কয়া চখদুনা নোংমা কাঙদনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক–ৱাথোক কয়া থোকহন্দুনা চখদুনা লাক্লি।

হ্যুমেন রাইটস কয়া খোঙ্গাওনদুনা শাশিন্নবা খুৎশেমগী খুৎ থোক্লবদা মীচম কয়াগী পুন্সি পীখন্নখ্রে, নুপী ওইবা কয়াগী ইজৎ কয়াবুসু তেমশিন্নবিখি। কংলৈপাক মণিপুর ঙসিদি মীরাওখোলনা নিন্দুনা লৈরে। নখৌ পোঙনা লাউদুনা লৈরি, দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়না ইন্দিয়া দিমোক্রেসি করম্বা মখলগী দিমোক্রেসিনো হায়বা হংলক্লি হায়নসু মখা তারি।

চেরোল অসিনা হায়, লাক্লিবা জনুৱারি ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে সেলেব্রেসন অসিগা কংলৈপাক মণিপুরগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। হায়রিবা রিপব্লিক দে অসিদা কংলৈচাশিংনা শরুক য়াফম থোক্তে।

## টোটেল সটদাউন ..

ঙরাংগী মখা...

মসিনা লোই মপু ইন্দিয়ানা মশাগী কনষ্টিট্যুসন ফাওবা লৈত্রিঙৈদগী কংলৈপাক্কী মশাগী ইথোক্লবা কনষ্টিট্যুসনগী মখাদা মীয়ামগী মীহুৎতা লৈঙাকচবা লৈবাক অমা ওইনা মনিং তম্না পানখি। দুবু মালেমগী চৎন কাংলোন কয়াবু খোঙ্গৈইনরগা প্রিন্সিলি ষ্টেট কায়বু ফোর্স অমগী মোইথেম তৌদুনা লৌশিল্লগা শেমখিবা ইন্দিয়ানা মণিপুরগী নিংথৌ বুধচন্দ্রবু শিল্লোংদা মোইথেম তৌদুনা কৌবা নুমিৎ হুম্নি হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লগা নমফুদা ১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর ২১ তা খূৎয়েক লৌদুনা, মশাগী কনষ্টিট্যুসন লৈদুনা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকচবা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী হাউসকী অমদি মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা নমদুনা ইন্দিয়াদা তিনশিনখি হায়নসু মরাল শীরি।

(মথং মথং...)

# ফেব্রুৱারি ১ দা বন্দ তৌবা য়ারোই হায়রি

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৪ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল সাইকুল লম্বীগী য়ূম্নাম পাৎলৌদা থোং শাবগা মরী লৈননা পি দি সি সি কৌবা লূপ অমনা ফেব্রুৱারি ১ দা লম্বী অসি বন্দ তৌগনি হায়রিবা অদু কৌবা য়ারোই হায়না য়ূম্নাম পাৎলৌ ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরী এন বিরেননা ফেঙদোরক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি য়ূম্নাম পাৎলৌদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা বিরেননা হায়, থোং অসি শাবা হৌরকপদগী হৌনা দি পি সি সি না লৈকাই মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা থিংবদগী লোইশিনবা ঙমদদুনা এক্সিদেন্ট ফাওবা থোক্তুনা মী শিবা য়াওখ্রে। মদুদগী লৈকাই মীয়াম্না দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা মীওইশিংগা উন্নদুনা থোং অসি শাবা লোইশিন্নবা হায়বদগী থা অসিগী ১৯ দা দিপার্টমেন্টকী এক্সপার্টশিং লাক্তুনা হান্নগী থোং অদু টেষ্ট তৌখি। টেষ্ট তৌবা অদুদা অরিবা থোংগী মখোঙ অদু অকায়বা লৈতে হায়বদগী লৈকাই মীয়াম্না কন্ত্রেক্টরদা হায়দুনা থোংগী আর সি সি অদু হৈহনখিবনি। মরম অসিনা থোং অসিগী মতাংদা লৈকাই মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা কনাগুম্বা অমত্তনা অনৌবা ৱারেপ অমত্তা লৌবা য়ারোই। করিগুম্বা লৈকাইগী অয়াবা য়াওদনা অনৌবা থৌরম অমা হেক পায়খৎপদা মদুদা থোরকপা অফ ফত্তগী থৌদাং পূম্বা থোরক্লিবা মীওইশিং অদুনা পুগদবনি। লোয়ননা পি দি সি সি নসু থোং অসিদা খুদোং থিবা নঙখিবা মীওইশিংদা ঙসি ফাওবা ৱাহৈ অমা ফাওবা হায়রক্ত্রগা থোং শাবদা হেক্তা থিংলকপা অসি হন্দোকপিয়ু হায়রি।

## মণিপুরনা ৩শুবা ...

*লমায় ১গী মখা...* ফংহনবা ঙম্নবগীদমক পাঙথোকখিবা চয়োল পালন অদুদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা কম্পিটিসন পাঙথোক্তুনা ষ্টেটশিং অসিনা হেন্না ফাবা ষ্টেটনি হায়না লৌনবা চঙশিন্নখিবনি।

চয়োল পালন অদুদা মণিপুরনা মীশিং ক্রোর অমগী মখাদা লৈবা ষ্টেট, য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মরক্তা লৈবাক অসিগী ওইনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি।

মসিগী এৱার্দ অসি ফেব্রুৱারি ৩ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রধান মন্ত্রি মাট্রু বন্দনা য়োজনা এৱার্দ সেরেমোনিদা খুৎশিন্নগনি হায়রি।

# লৈঙাক্না অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবিয়ু

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৪ (এস এন এস)ঃ

পি এম জি এস ৱাইগী ১০ শুবা ফেজকী ওইনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা সাইবোল ভিলেজ তাবা রিরাম সেন্টরদগী সাইরেল সালসিম ফাওবগী লম্বী সি নীংথিনা শেম্বীদ্রে। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মরী লৈনবশিংনা চপ চাবা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়না সাইবোল খুলদগী মৌমী চীংঙং এরিয়াগী চীংশাংলকপা ওইরিবা পিয়াহ মাকুনা ফোঙদোরক্লি।

লম্বী অসিগী ওইরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা পিয়াহ মাকুনা মখা তানা হায়, সাইবোল খুল অসি ইম্ফালদগী কিলোমিটর ১০৮ লাপ্না লৈবা চীংগী খুল অমনি। চীংগী খুল ওইবগী মথক্তা লম্বী থোঙগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইরগা সাইবোল খুল য়াওনা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। খুদোংচাদবা অসি নোংজুথাগী মতমদনা হেন্না মায়োক্নে। পি মে জি এস ৱাই গী ১০ শুবা ফেজকী মখাদা শেম্লিবা লম্বী অসি কন্ত্রেক্তর, সব কন্ত্রেক্তর য়াওনা লম্বী অসিবু শেম শাবা তৌরিবশিংনা নীংথিনা শেম্বীদবনা মরম ওইরগা খুলনা অৱৈবা শেল পুথোক্তুনা রিরাম সেন্টরদগী চাপোল ফাওবা শেম্লি। মরম অসিনা পি এম জি এস ৱাইগী ১০ শুবা ফেজকী মখাদা শেম্লিবা লম্বী অসি মণিপুর লৈঙাক অমসুং মরী লৈনবশিংনা চপ চাবা মীৎয়েং চঙদুনা খুঞ্জাশিংগী অৱাবা কোকপা অফবা লম্বী অমা ওইহনবিয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

# রাইফলমেন শিন্নরকপদি লায়রদুনা এ আরনা অনুপমদা...

*লমায় ১গী মখা...*এস এমনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন উন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা জনুৱারি ১৯দা খুদেংথাবীদা লৈবা ১২ শুবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অমনা আই পি এস নুপী ওফিসার অমদা তাথি তাওইনা তৌবগা লোয়ননা মোলেষ্ট তৌখি হায়বা ৱাফম আই পি এস এসোসিয়েসন কেরেলা চেপ্টর অমসুং আই এ এস মণিপুর চেপ্টরনা য়ান্না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা নুপী পুলিস ওফিসার অসিগী মায়কৈদা লেপখ্রে। আই পি এস এসোসিয়েসন, কেরেলা চেপ্টরগী সেক্রেটরী বলরাম কুমার উপধ্যায়না থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না নহা ওইরিবী আই পি এস ওফিসার অমদা অসাম রাইফলসনা চথখিবা ক্রিমিনেল ওইবা লিচৎ অদু এসোসিয়েসননা হকচিন্না লৌই।

হৌজিক থিজিল্লিবা কেস অদুগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা প্রেসতা চেরোল থোকখিবা ৱাফম অদু নাতে চাদবা অমদি নহা ওইরিবী নুপী আই পি এস ওফিসার অদুগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনবা থৌওংনি হায়না লৌই।

আই পি এস এসোসিয়েসন কেরেলা চেপ্টরনা নুপী আই পি এস ওফিসার অদুদা মপুং ফানা শৌগৎকনি। লৈবাক অসিগী লোনা নুপী ওফিসার অদুগীদমক অচুম্বা শোয়দনা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পল্লি।

অমরোমদা আই এ এস এসোসিয়েসন, মণিপুর চেপ্টরগী মায়কৈন্দগীসু জনুৱারি ১৯ দা থোখিবা থৌদোক অদুগী ভিক্তিম ওইরিবী নুপী আই পি এস ওফিসার অদুগীদমক লেপ্লি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদু এসোসিয়েসন অসিনা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মরী লৈনবশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা থিগৎলিবা স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিমদা মতেং পাঙবীদুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

খুদেংথাবীদা লৈরিবা অসাম রাইফলসকী চেক পোষ্টত মথৌ চৎখিবী নুপী আই পি এস ওফিসার অমদা এ আর পার্সোনেল অদুনা চথখিবা থৌওং অদু আই এফ এস এসোসিয়েসন, মণিপুরনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়রি।

এসোসিয়েসন অসিনা লৈবাক অসিগী জুদিসিয়েল মেকানিজমদা থাজবা থম্বগা লোয়ননা অচুম্বা শোয়দনা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পল্লি।

এসোসিয়েসনগী মায়কৈন্দগী ৱাফম অসি মরী লৈনবা থাক্তা লৌখৎপগা লোয়ননা অসিগুম্বা লাইবক থিবা থৌদোক অসি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মথৌ তৌজরিবা ওফিসিয়েলশিংদা থোকহন্দনবা থবক লৌখৎহন্নিংই হায়না পল্লি।

## ফাজিনখিবা ...

*লমায় ১গী মখা...* নরেন্দ্র অমদি ককয়েনপাইবম তোলোখোম্বা ঙসি দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটতা পুথোকখি অমদি জনুৱরারি ৩০ ফাওবা নুমিৎ ৭ নি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা পুলিসনা প্রেয়র তৌখি।

লোয়ননা কোর্টনা কেস রেকোর্দশিং কুপ্না য়েংলবা মতুংদা ইনভেষ্টিগেসন চখবগী তঙাইফদবা লৈবদগী মখোয় অনীমক জনুৱারি ৩০ ফাওবা নুমিৎ ৭ নি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখিবনি।

## এ আরনা হাংবা...

*লমায় ১গী মখা...* প্রমোসন পীবদসু অয়াবা পীখি। বোন্দেদ ৱায়ারহাউস রুলস শেমদোক্তুনা ষ্টেটকী ওইবা বোন্দেদ ৱায়ারহাউস থন্ননবা ঙসিগী কেবিনেট মীফম্না ৱারেপ লৌখ্রে। মণিপুরদা লৈরিবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী তোঙান তোঙানা বট্টালিয়নশিংগী তঙাইফদবা লিকরশিং দিমাপুরদগী টেক্স থিরগা লৌরম্বনা ষ্টেটকী য়ান্নবা শেনফম মাঙদুনা লৈরমখি। ষ্টেট অসিগী ওইনা মশাগী বোন্দেদ ৱায়ারহাউস অমা থম্বা মতমদা ষ্টেটতা লুপা ক্রোর ২.৩১ রোমগী শেনফম ইনকম ওইনা লাকহনগনি হায়না পানরি।

দেন্টেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা পীরকপা পাউতাক্কী মতুং ইন্না জে নিমসকী দেন্টেল কোলেজকী তোঙান তোঙানবা ষ্টাফশিং লৌবদা ঙসিগী মীফমনা অয়াবা পীখি।

# প্লাটিনিয়ম জুব্লি কম চর্চ দেদিকেসন ঙসি লোশিনখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৪ (এস এন এস)ঃ

চৎখিবা থা অসিগী ২১ দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা চত্থখিবা সোইবোল বেপটিষ্ট চর্চ, এম এন বি এ গী প্লাটিনিয়ম জুব্লি থৌরম কম চর্চ দেদিকেকেসনগী থৌরম লোইশিনখ্রে।

লিবরতি ইন চর্চ হায়বা থিমদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী সোইবোল ভিলেজদা পাঙথোকখিবা থৌরম লোইশিনবা অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দোনা হায়, সাইবোল বেপটিষ্ট চর্চ, এম এন বি এ গী প্লাটিনম জুব্লি কম চর্চ দিদিকেসনগী থৌরম অসিদা চীংমীশিং অমসুং তম্মীশিং অনীমক পূন্না শরুক য়ামীন্নবা অসিনা লমদম অসিদা খুন্দামীন্নরিবা চীং অমসুং তম অনীগী মরক্তা হেন্না নুংশিন্নবা পুরকপা ঙম্লগনি। মসিগী মথক্তা থৌরম অসিগা মরী লৈননা কলচরেল প্রোগ্রাম কয়া উৎপা অসিনা লমদম অসিগী চীং তম অনীমক্তা খুন্দামীন্নরিবা মীপুম খুদিংমক্তা হৌখ্রবা মতম অমগী থৌদোক ৱাথোক কয়া নীংশিংনদুনা অপুনবা মণিপুর অমা শাগৎপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সেলেব্রেসন কম্মিটিগী চিয়ারমেন এম এম মৈসিং খুলনা হায়, লৈখিদ্রবা ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা কলচরশিং অসিবু য়োকখৎপা অমসুং মশক থোক্ল থম্না চীং অমসুং তম অনীমক্তা খুন্দামীন্নরিবা কাংলূপ ফুরুপশিংগী মরক্তা ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরকপা মচিল মনাও ওইবগী মরী দু ঙসিগী মীরোলদা কলচরগী খুখাংদা তাকপা ঙম্লগনি হায়খি। মসিনা নুংশিবা ইং তপ্না মণিপুর অমা ওইহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

# নুপী খক্তগী ওইবা ফন্দ হাপ্পগী তঙাইফদবা ...

*লমায় ১গী মখা...* মতমদা মীয়াম মীরক তিনবা অমদি লাই খুরুম্ফমদা চঙবা য়াবগী রাইট অদু ফংনবা চঙশিনবা তঙাইফদে।

কুমজা ২০১৪–১৫দগী মণিপুরদা হৌখিবা বেটি বচাও বেটি পড়াও স্কিম অসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী হৌদোকখিবা অদু হৌজিক্তি তমেংলোং, চান্দেল, উখ্রুল, বিষ্ণুপর, থৌবাল, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি চুরাচান্দপুর খনখৎলক্লে। লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টপুনা কুমজা ২০১৭–১৮ দা মেদিয়া এদভোকেসি অমদি মেদিয়া প্লানিংগী ওইনা খনগৎলকখিবনি। লেমহৌরিবা দিষ্ট্রিক্টতসু লৈঙাক্না মখা তানা স্কিম অসিনা কোনশিল্লকনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

লৈঙাক্কী এজেন্সিশিংদা নত্তনা এন জি ওশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মীয়াম্না নুপীমচাশিংনা মায়োক্নরিবা প্রোব্লেমশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনবদা পুন্না চৎমিন্নবা তঙাইফদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা হায়, ইন্দিয়াদা নত্তনা মণিপুরগী ওইনা য়েংলুবা মতমদা নুপীমচা মশীং অসি হন্থরকপা অসি য়াম্না নুংনাঙনিঙাই ওইবা ফিভম অমনি।

কুমজা ২০০১গী মীকোক থিবদা নুপামচা লিশিং অমদা নুপীমচা ৯০৪ ওইরম্বা অদু কুমজা ২০১১ দা নুপীমচা ৮৯৮ ওইরকপা অসি য়াম্না নুংনাঙনিঙাই ওইবা ফিভম অমনি। নুপী মশীং অসি হন্থরকপা তারবদি জেনরেসন অসি লৈরক্তবা য়াই।

নুপীমচা মশীং অসি হন্থরক্লবদি ষ্টেট অসিদা চাউনা মাঙজবা অমা লাক্কনি। নুপীগী মরুওইবা অসি খঙনা খঙনা নুপীবু থৌওইদবগী ফিভম অমা লাক্লি। ক্রাইম এগেনষ্ট ৱুমেনগী স্পিসিয়েল কোর্ট লিংখত্না হোৎনরিবনি। কোর্ট অনী অমসু শাবা লোইরবনি।

চিন্দা ঙাঙনবা কান্নদ্রে, থবক ওইনা উৎপা তঙাইফদবা লৈরে। মীয়ামগী ৱাখল্লোন অসি থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা য়ারোই হায়খি। নুপীমচা মশীং হন্থরকপা অসি থিংনবগীদমক লো অমা শেম্নগী তঙাইফদবা লৈ।

কনাগুম্বা অঙাং নুপীমচাবু য়ৈথবা তারবদি মদুদা চেন্নবশিং নন বেলেবল কেস ওইনা পানবা তঙাইফদে। ইশু অসি লায়না লৌবা য়ারোই। মরম অসিনা কনাগুম্বনা অঙাং নুপীমচানি খঙনা য়ৈথবগী থবক্তা চেন্নবশিং লেম্না থারোই, অকনবা এক্সন লৌখৎকনি। ক্লিনিক ওইরবসু লাইসেন্স ককথৎপা য়াওনা অৱাবা মায়োক্লগনি হায়খি।

লৈঙাক অসিনা অফবা থবক তৌবা পাম্মী, চিন্দখক ঙাঙনবনা কান্নরোই। মরম অসিনা লাক্লিবা মার্চ বদজেট সেসনদা মসি পুথোকপা য়াব্রা হায়বদু য়েংগনি। ইচানুপী ওইবশিং অসি কনগনি হায়খি।

মণিপুরদদি নুপীশিং অসি মখোয়গী মথৌ তৌহল্লি, দিষ্ট্রিক্টকী দি সি অসি নুপী ৭ লোম শুরে, এস পি, এদিস্নেল এস পি ওইনা পুবা কয়া য়াওরি।

অওনবা পুরকপা অসি ঐখোয় ইশাদগী হৌসি। নুপী ওইবীশিংনা নুপীশিংবু হন্থনা য়েংবগী চৎনবী অসি থাদোকপা মতম ওইরে। মমাশিংনা মচানুপী পোক্লকপদা হরাউদবগী কলচর অসি মুখৎপা তাই হায়খি।

লমদম অসি মাঙলোমদা চঙশিনলক্লি। নুপী হায়বসি ইমা ঙাক্তনি। মখোয়ন অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লিবনি।

থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা হায়, বেটি বচাউ বেটি পড়াও স্কিম অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি নুপীমচাশিংবু কন্নবা অমদি মহৈ মশিন নিংথিনা তমহন্দুনা মতিক চাবা মীওই অমা ওইহনবা অসিনি।

মমাগী পুক্লুংদা লৈরিঙৈগী মতমদা অঙাংশিংবু নুপীনি খঙলবা মতুংদা লোন্না মাঙহনবগী থবক কয়া য়াওরিবনি। মসিমক নুপী ওইবীশিংগীদমক্তদি য়াম্না লাইবক থিবা অমনি। মসিগুম্বা থৌদোক কয়া অসিদগী নুপীমচাশিংবু কন্নবগীদমক সেন্ট্রেল লৈঙাক্না বেটি বচাও বেটি পড়াও স্কিম অসি হৌদোকখিবনি হায়খি।

নুপীমচাশিংবু মীরাইবীবা কয়া ঙসিদি তপ্না তপ্না মুখৎলক্তুনা নুপীমচাশিংবু নিংথিনা য়োকপী থাকপীবা অমদি মহৈ মশিন তমহন্দুনা মতিক চাবা সিতিজেন অমা ওইবা ঙম্রে হায়খি। ঙসিদি নুপাদগী তাদনা নুপীমচাশিংনা হেন্দোক থোইদোকপা থবক কয়া তৌবা ঙম্রে হায়খি।

থৌরম অদুদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবু অমদি প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী সোসিয়েল ৱেলফেয়ার ভি ভুমলুনমাঙনা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা থোইদোক হেন্দোক্লগা নুপী ১৫দা ৱুমেন এচিভর এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা নুপীমচাশিংনা মখোয় মখোয়দা লৈরিবা হৈশিংবশিং উৎখি।

# কোরোনাভাইরস– হেল্থ ইমর্জেন্সি ওইব্রা খন্নবা ...

*লমায় ১গী মখা...* ওইরিবা রেস্পিরেটরি ট্রেক্টতা নাহন্নবা ভাইরস মখল অমনি। হায়রিবা ভাইরস মখল অসি অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬০ দা মীওইবদসু নাহনবা থেংনখিবনি। ভাইরস মখল অসি মরু ওইনা অহিংবা মতমদনা হেন্না পাক–শন্না শন্দোকপগী খুদম ফংই।

ভাইরস মখল অসিনা চঙখ্রবা মীওই অদুদা নুমিৎ নীনিদগী মরিনি ফাওবগী মনুংদা লায়হৌ হৌবা, হাকথি তোইনা খনবা, নাতোন মহি চেনবা, লোক খুবা, হকচাং শাগৎপা, খনাও নাবনচিংবা লায়ওং কয়া উৎলক্কনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ভাইরস অসিবু লায়েংনবা হিদাক–লানথক মেডিকেল সাইন্সনা পুথোকপা ঙমদ্রি। অদুবু ভাইরস মখল অসিদগী ঙাকথোক্লবা চাঙ নাইনা পোত্থাবা, ঈশিং মরাং কায়না থকপা, খূৎ–শা নীংথিনা হামদোকপা, মী তিনবা মফমদা চিন অমদি নাতোন খুম্বা য়াবা মাস্কনচিংবা শীজিন্নবা মথৌ তাই।

ভাইরস মখল অসি করন্না শন্দোকপগে হায়বা হৌজিক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক নুংশা শ্বরগী খয়াৎতগী থোকপা লোক–তিননচিংবশিং অসিদা শোক্ল–শন্নরুবদগী মরু ওইনা শন্দোকপনি হায়বা অখঙ–অহৈশিংনা থাজনরি।

ভাইরস অসি পাক–শন্না শন্দোরকপদগী চিনাদা চখোক–চৎশিন তৌবদা অথিংবা কয়ামরুম থমখিবনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে। মসিদসু নত্তনা চিনাগী মী খ্বাইদগী য়ান্না চিনবা এয়ারপোর্টশিংগী মনুংদা অমা ওইবতা নত্তনা চিনাগী ইকোনোমিদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ৱুহান সিটি অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা সিটিশিং অসিদা এরোপ্লেন অমদি ট্রেন সার্ভিসনচিংবশিং থিংজিনখিবা অসিনা চিনা খক্তদা নত্তনা মালেমদা অচৌবা শাফু অমা পীরি।

হীরম অসিগী মতাংদা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী ইমর্জেন্সি মিটিং অমসু কৌদুনা থৌদোক অসি মালেমদা হেল্থ ইমর্জেন্সি ওইব্রা হায়বদু কুপ্না খন্ন– নৈনখি।

চিনাদা ভাইরস মখল অসিনা মী ১৭ শিহনখিবা অমদি মীওই ৫৭০ হেন্না নাহল্লক্লিবা থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা ভাইরস অসিনা শন্দোরক্তনবা চেকশিন– থৌরাং কয়াসু লৌখৎনবা হৌখ্রে হায়না এজেন্সি অসিনা ফংবা পাউ অমনা হায়রি।